হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইন্দেক্স স্কোরদা ইন্দিয়া ১৩৪ শুবদা লৈখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

কুমজা ২০২০ অমদি ২০২১ দা হন্থরুরবসু কুমজা ২০২২ গী ওইনা ফোঙবা য়ু এনগী হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইন্দেক্স (ঐচ দি আই) রিপোর্টতা ইন্দিয়া অসি লৈবাক ১৯৩ গী মনুংদা ১৩৪ শুবদা লৈবা ঙমখ্রে হায়রি।

চহী অসিগী ওইনা ফোঙখিবা "ব্রেক্কিং দি গ্রীদলোক: রিইমেজিনিং কোওপরেসন ইন এ পোলরাইজদ ৱর্ল্দ" মীংথোনবা রিপোর্ট অদুদা ইন্দিয়াগী ঐচ দি আই ভেল্যু অসি হান্না ০.৬৩৩ ওইরম্বদগী ০.৬৪৪ দা হেনগৎলে হায়রি।

হেনগৎলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসি ময়ায় ওইরপ হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইন্দেক্স ফরবা লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০২২ গী রিপোর্ট অসিদা ঐচ দি আইগী ইন্দিকেটর খুদিংমক্তা ইন্দিয়ানা ফগৎলকপা ঙমখি। লাইফ এক্সপেক্টেন্সি অসি চহী ৬৭.২ দগী ৬৭.৭ দা হেনগৎলকখি। মিন য়্যরস ওফ স্কুলিং অসিসু ৬.৫৭ য়ৌরকখি অদুগা গ্রোস নেসনেল ইনকম (জি এন আই) পর কেপিতা অসিসু দোল্লর ৬,৫৪২ ওইরম্বদগী দোল্লর ৬,৯৫১ দা হেনগৎলক্তুনা লমদম অসি চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা খুমাং চাওশিল্লক্লি হায়বসি উৎলি।

য়ু এনগী রিপোর্ট অদুদা ইন্দিয়া অসি জেন্দরগী খেন্নবা খায়বদসু হন্থরক্লে হায়বগী খুদম ফংখি। ইনি দয়াগী ঐচ দি আই হেনগৎলকখ্রবসু য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশ, ভুটান, স্রি লঙ্কা, চাইনা অমদি অতৈ সাউথ এসিয়ান লৈবাকশিংনদি হেল্লি। মমাংগী রিপোর্টকা য়েংনবদা চাইনাদি মফম ৩ কাখৎলকপা ঙমখি অদুগা স্রি লঙ্কাদি হান্নদগী পোইন্ট ৫ তাথরকখি। স্রি লঙ্কানা হায়দরক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী ইকোনোমিগী ফিভম শোকখিবা অদুনা ওইগনি।

য়ু এনগী নৌনা ফোঙলক্লিবা ঐচ দি আই রিপোর্ট অসিনা ২০২০ দগী পেন্দেমিক্কা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বগী ঐচ দি আই হন্থনখ্রবসু পেন্দেমিক লোয়খ্রবা মতমদা ঐচ দি আই অসি হেনগৎলক্লগদবদা মালেমগী মফম কয়াদা শোক্করিবা লান অসিনা হেনগৎপা ঙমদ্রে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি।

রিপোর্ট অসিনা ইনাক খুনবা অমদি লায়রবগী মরক্তসু লাপথোক্ল রকপগী চাং অসি হেনগৎলক্লি হায়বা উৎলি। লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ঐচ দি আই অসি কুমজা ২০০০ দগী হৌনা চহী ২০ লোম নকশিন্নদুনা লাকখিবনি। অদুবু পেন্দেমিক লাকখিবা অদুদগী হৌরগা মালেমগী লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা লৈবাকশিংগী খেন্নবা অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

ইন্দিয়া লৈবাক অসিসু হ্যুমেন দিভলপমেন্টগী লমদা চহী খরা অসিদা য়াম্না য়াংনা চাওখৎলকখি। অদুবু মফম খরদদি চাওখৎ খোঙথাং অসি হেন্না মীৎয়েং চংবা য়ারি। মসিগী মনুংদা নুপীনা লুচিংবা চাওখৎ খোঙথাংগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী খুন্নাইবু হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমদি লৈবাক অসিগী থৌরম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা শরুক য়াহনবা মথৌ তারি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (ইন্দিয়া) গী রেসিদেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ কেইটলিন ৱৈসেননা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৯০ দগী হৌনা ইন্দিয়াগী লাইফ এক্সপেক্টেসন অসি চহী ৯.১ হেনগৎলকখ্রে। লৈবাক অসিগী জি এন আইসু কুমজা ১৯৯০ পরিংদগী চাদা ২৮৭ হেনগৎলকপা ঙমখ্রে। জেন্দরগী খেন্নবা হন্থহনবদসু মালেমগী লৈবাক ১৬৬ কী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১০৮ শুবদা লৈবা ঙমদুনা হান্নদগী জেন্দরগী হিরমদা মীচং মীখায় নায়দবা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

মুস্লিমশিংসু সি এ এ গী মখাদা সিটিজেনশিপ তানবা য়াই ঃ অমিট শাহ

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

য়ুনিয়ন লৈঙাক্না সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি রুলস ওইনা পুথোক্তুনা লৈবাক অসিদা মপুং ফানা চৎনগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা এক্ট অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবা হৌরক্লিবা অসিদা ঙসি য়ুনিয়ম হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা সি এ এ অসি ফুরুপ খরখক্তগী পুথোকপা এক্টনি হায়না মীয়াম্না খনবীগনু। এক্ট অসিগী মখাদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনসু সিটিজেনশিপ তানবগী খুদোংচাবা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এক্ট অসিনা কনামত্তদা মীচং মীখায় নায়বা লৈতে হায়রদুনা অমিট শাহনা ফুরুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংদা সি এ এ না থোঙ লাউনা হাংদুনা লৈ। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা এক্ট অসি পুথোরকখিবগী মরুওইবা পান্দমদি ইন্দিয়াগী য়ুমথংনবদা লৈরিবা লাইনিং লাইশোনগী মীংদা ওৎপী-নৈবীরবা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংদা দোকুমেন্ট য়াওদনা লৈবাক অসিদা চেনশিল্লকপা মতমদা মখোয়বু কোনশিনবীবগী খুদোংচাবা অদু পীবা ঙম্লবনি।

মখোয়না দোক্যুমেন্ট য়াওদনা চংলকখ্রবসু দোক্যুমেন্ট তাম্নোক্লবদি হোৎনহনগনি। দোক্যুমেন্ট য়াওনা চংলকপশিংগীদি অকক্লবা মতমদা সি এ এ গী মখাদা সিটিজেনশিপ তাম্নোক্কদবনি হায়বা অরেপ্পা মতম লৈতে। সিটিজেনশিপ তাম্নোক্লবা থাজিল্লক্লিবা মীওইশিং অদু লৈঙাক্না মখোয়গী দোক্যুমেন্টশিং অদু চুম্না য়েংনবা অমদি হকথেংননা ৱারী শাননবা ইন্টরভিয়্যুগীদমক কৌরক্কনি।

কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্টকী তাং ১৫ দগী কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বরগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াদা চংলকখিবা ফুরুপ পুম্নমক্কী মীওইশিংবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না তরাম্না ওক্কনি অমদি কোনশিনগনি।

য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা লৈবদা ৱারে হায়দুনা ইন্দিয়াদা চংজরক্লবা ইচিল ইনাওগী মরী ওইরিবা মীওইশিং অসিগী রাইট ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফংহনবা হায়বসি ঐখোয়গী থৌদাংনি। পার্টিসনগী মতমদা পাকিস্তানদা হিন্দু অমসুং সিখ চাদা ২৩ লোম লৈরমখি অদুবু হৌজিক্তী চাদা ৩.৭ খক্তমক ঙাইরে।

মখোয় অসি ইন্দিয়াদা লাকখিবা নত্তে। য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিং অসিনা নমদুনা লাইনিং লাইশোন ওত্নোকহনখিবনি। মখোয়বু সেকেন্দ ক্লাস সিটিজেন ষ্টেটস পীদুনা লাইনিং ওন্দ্রবদি খুদোংচাবা কয়াদগী মৎপিখিবদগী তঙাই ফদনা লাইনিং ওনখিবনি। মখোয়গীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না খনবীফম থোকই হায়বসি বি জে পি লৈঙাক্কী লেংদ্রবা ৱাশক্লি হায়খি।

হৌখিবা মার্চকী তাং ১১ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা সি এ এ গী রুলস ওইনা লাউথোক্তুনা এক্ট অসি লৈবাক অসিদা মপুং ফানা চৎনরগনি হায়খি। সি এ এ অসি ২০১৯ দা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবনি।

নোর্থ ইষ্টতদি সি এ এ চৎনরোই

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৪ (এজেন্সী): অখন্নবা হক ফংহনখ্রবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট খরদদি সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি চৎনহল্লোই হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা শেংদোরকখ্রে।

নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অসিগা সিটিজেন এমেন্দমেন্ট এক্টকা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মরী লৈনদে হায়রদুনা অমিট শাহনা এক্ট অসি অসাম অমসুং লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা মপুং ফানা চৎনরগনি হায়খি। সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনরোইদৌরিবা ষ্টেটশিং অসি ইনরলাইন পার্মিট (আই এল পি) চৎনখ্রবা অমসুং ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী সিক্স সেদ্যুলগী মখাদা স্পেসিয়েল ষ্টেটস ফংহনখ্রবা ষ্টেটশিংনি। বিল অসিগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চৎনবা য়ারোই হায়না মীয়াম্না ইরাং হৌরকখ্রবা মতুংদা অমিট শাহনা এক্ট অসি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অসিদা চৎনরোই হায়বগী ৱাফম থল্লকখিবনি।

রসিয়ানা লৌশিল্লবা য়ুক্রেনগী মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংসু ভোট থাদবীয়ু ঃ পুতিন

মোস্কো, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

নোংচুপ লৈবাককয়াদগী য়ুক্রেনগী লান অসি রসিয়াগী মরালনি হায়দুনা ৱ্লাদিমির পুতিনবু লুচিংবা কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিঙৈ চৈরক অসিদা মার্চ ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা রসিয়াগী প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সন অসিদা পুতিননা শোয়দনা মায় পাকখ্রগনি থাজনরি।

ঙসি মীয়ামদা ৱ্লাদিমির পুতিননা ইলেক্সনগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবদা রসিয়াদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক অমদি রসিয়ানা চথরিবা স্পেসিয়েল মিলিটরি ওপরেসন অসিনা মরম ওইরগা রসিয়াগী মখাদা য়াওরবা য়ুক্রেনগী নোংপোক অমসুং খা থংবা শরুক ওইরম্বা

মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা রসিয়াগী তুংলমচৎকীদমক খল্লগা পুকচেল চপ মান্ননা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

লাক্লিবা প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সন অসিদা অদোমগী ভোট থাদবগী রাইট অদু শুংশোই শোয়দনা শিজিন্নবীয়ু। রসিয়ানা লৌশিল্লবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংসু ভোট থাদবগী রাইট অদু ঐহাক্না শুংশোই শোয়দনা ফংহনগনি হায়খি।

কুমজা ২০০০ দগী হৌনা রসিয়াগী লুচিংবা ওইদুনা লাকখ্রবা চহী ৭১ শুরবা ৱ্লাদিমির পুতিন হন্দক্কী প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সন অসিদা অতোপ্পা মীওই ৩ গা লম্বানগদৌরি। মহাক্কা লম্বা ওইগদৌরিবশিং অসি পুতিনবু অমুক্তা থিনা ঙাঙখিদ্রিবা মীওইশিংনি। অতোপ্পা প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেট ওইনবা থাগৎলকখিবা মীওই ২ দি পুতিনবু ক্রিটিসাইজ তৌরুবগী কেন্দিদেট ওইবা ফংখিদ্রে। ৱ্লাদিমির পুতিনগী খ্বাইদগী চাউবা ক্রিটিক ওইখিবা ওপোজিসন লিদর ওইরম্বা অলেক্সি নভালনিসু চিংনিনংঙাই ওইবা মওংদা শিখ্রবনি।

মমতা বেনর্জি কোক্তা শোকখ্রে

কোলকটা, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা মমতা বেনর্জিমশাগী ময়ুমদা তুশিনবদগী লাইবক্তা শোকপদগী কোলকটাগী এস এস কে এম হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়না ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এক্সতা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

পোষ্ট অদুদা মমতা বেনর্জি হোস্পিটালগী বেদতা হিপ্লদুনা মমায়দা ঈ তৈবা উখি। মদুগী তুংদা এক্সতা থাগৎলকপা ভিদিও অমদা অমুক মমতা হ্বিল চিয়র অমদা কোক্তা বেন্দেজ য়েৎলদুনা থোকখিবা উখি। ইন্দিয়াগী ভি পি জগদিপ ধাঙ্করনা মমতাগী অশোকপা অদুদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলগা লোয়ননা লান শোক্লরল্লবদি ফাগনি ঃ ফোরেন মিনিষ্টর

কেপ টাউন, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

ইজরেল অমসুং হামাসকী লান অসিদা গাজাগী মায়োক্তা সাউথ অফ্রিকা মচাশিংনা ইজরেল লান্নীদা য়াওদুনা লান শোক্লরল্লবদি মখোয়না লৈবাক অসিদা হল্লকপা মতমদা ফাগনি হায়না সাউথ অফ্রিকাগী ফোরেন মিনিষ্টর নলেদি পন্দোরনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না ইজরেলবু শৌগৎলিবা লৈবাকশিংগী এম্বেসি মমাংদা মীয়াম্না গাজাগীদমক খোল্লাও লাউনবসু হায়খি।

সাউথ অফ্রিকা অমসুং ইজরেলগী দ্বেল সিটিজেন ওইরিবা মীওইশিংনা ইজরেলগীদমক লান য়াওরল্লবদি সাউথ অফ্রিকাগী সিটিজেনশিপ অদু ককথৎলগনি হায়খি। সাউথ অফ্রিকা অসি লান মমাংদগী হৌনা পলেষ্টাইনবু শৌগৎতুনা লাকখিবা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিদা জ্যু ফুরুপকী মীওই ৭০,০০০ রোমসু লৈরিবনি।

'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' গী রিপোর্ট প্রসিদেন্টতা পীশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা রামনাথ কোভিন্দনা লুচিংবা হায় লেভেল কমিটি অমনা ঙসি প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুদা 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' গী রিপোর্ট পীশিনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতাংদা অখণ্ড অহে কয়ানা নুমিৎ ১৯১ নি চুপ্না থীজিন্দুনা পেজ ১৮,৬২৬ পানবা রিপোর্ট অমা ওইনা পুথোক্লবা মতুংদা পীশিনখিবনি। মমাং চহীগী সেপ্টেম্বর তাং ২ দা শেমখিবা কমিটি অসিদা পেনেল মেম্বর ওইনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, রাজ্য সভাগী হান্নগী ওপোজিসন লুচিংবা গুলাম নবি অজাদ, ১৫শুবা ফাইনান্স কমিসনগী চিয়রপার্সন এন কেসিংহ অমসুং লোক সভাগী হান্নগী সেক্রেটরি জেনরেল সুভাশ সি. কশ্যাপসু য়াওরি।

কোভিন্দনা লুচিংদুনা ফোঙখিবা রিপোর্ট অদুদা লৈবাক অসিগী ইলেক্সনশিং অসি অপুনবা ইলেক্সন অমখক্তমক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা তাঙ্কক নাইনা থৌরাং লৌখৎপা হায়বসিনা মরুওইবা ৱারোল ওইখি হায়রি।

পান্দম অসি ফংনবগীদমক অহানবা থৌরাং ওইনা লোক সভা ইলেক্সন অমদি ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনশিং অসি চপ মান্নবা মতমদা পাঙথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। মসিগী মথংদা লোকেল বোদি ইলেক্সনশিং অসিসু লোক সভা অমদি ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোকখিবদগী নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি।

থৌরাংশিং অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা ফিভম লাক্লবসু লেমহৌরিবা চহী ৫ গী টার্ম অদুগী নৌনা ইলেক্সন তৌবা য়াই হায়না কমিটি অদুগী রিপোর্টতা য়াওরি হায়রি।

'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন' গী পান্দম অসি ওইথোক্লবগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্সেস, ইক্যুপমেন্ট অমসুং মেইন পৱারগী এদভান্স প্লানিং থৌরাং তৌদুনা মরুওইনা থম্নবা অমসুং মসিগী মরুওইবা পান্দমদি ইলেক্সনদা পৈশা চংবগী চাং হন্থহনবনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

অনৌবা ইলেক্সন কমিস্নার অনী হাপখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

থবক্তগী পোত্থারবা ইন্দিয়ান ইনফোর্মেসন সার্ভিসকী ওফিসার গ্যানেস কুমার অমসুং এস এস সন্ধুবু ঙসি অনৌবা ইলেক্সন কমিস্নার ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিয়রপার্সন ওইনা ফমখিবা পেনেল অমনা খনখ্রে।

ইলেক্সন কমিস্নার খন্ননবা মীওই ৬ পেনেল অসিনা খনগৎখি। ইলেক্সন কমিস্নার খনবগী প্রোসেস অসিদা চিফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া য়াওখিদবা অসি লাইবক থীবনি হায়না ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবশিংগী মাইকৈদগী ফোঙদোক্লরক্লি। পি এম না চিয়রপার্সন ওইখিবা পেনেল অসিনা ইলেক্সন কমিস্নারগী কেন্দিদেট ২০০ রোমদগী করম্না মীওই ৬ কী মীং খনগৎখিবনো হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি। ইলেক্সন কমিস্নারগী ফম অনী অসি পায়রম্বা অনুপচন্দ্র পান্দে থবক্তগী পোত্থখ্রবা অমদি অরুন গোয়ল থবক্তগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা হাংলকখিবনি।

'ꯋꯥꯟ ꯅꯦꯁꯟ, ꯋꯥꯟ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ' ꯒꯤ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠ ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯤꯗꯦꯟꯇꯇꯥ ꯄꯤꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯦ

ꯅ꯭ꯌꯨ ꯗꯦꯜꯂꯤ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯴ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ):

[illegible]

ꯃꯥꯛꯁꯤꯠ / MARKSHEET CUM CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Marksheet cum Certificate of HSLC bearing roll no. 28582 of 2021 issued by BOSEM on the way in between Porompat and Khurai on 10th March 2024.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thesis Loitam**
8729912644

HL-P/9974/15 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mutation Case No. 53/SDC/IW(H) of 2024

Yumnam (O) Chaoba Devi, (Late) Yumnam Rameshor Singh of Thiyam Awang Leikai
-VS-
(Late) Yumnam Rameshor Singh, S/o Yumnam Basanta Singh of Thiyam Awang Leikai

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 14/03/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খহঙ্গরি, মদুদি খুল নং 7-Wakching Khullen পাট্টা নং 943 (অরিবা) 320/638 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং.... (অরিবা) 511 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.31 একর চাওবা লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 21/3/24 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/9977/15 March

ꯃꯃꯤꯡ / NAME CHANGED

I, Longjam Nijaba Singh, S/o Longjam Krishnamohon Singh, a resident of Kha Imphal Keisham Leikai have changed my name from Longjam Nijaba Singh to Kishan Longjam vide an affidavit sworn before the Oath Commissioner (Judicial) Imphal West, dated 13 March, 2024.

HL-P/9966/14,15,16

Sd/- Longjam Nijaba Singh

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 141/SDC/YPK **Date. 14/03/2024**

Parties :- Sinam Sanjitkumar Singh, S/o (L) Toto Singh of Chandrakhong Mayai Leikai
- Petitioner

- Vs -

(Late) Sinam Toto Singh, S/o Niro Singh of Chandrakhong
- O.PP:

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE

Yairipok, the 14/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না য়াইরিপোক তহশিল খুল নং 112-Chandrakhong পাটা নং অরিবা 138 পাটা নং অনৌবা 285 দাগ নং 1108, 2134 এরিয়া 0.1203, 0.3190 হেক্তর চাওবা ইংখোল/ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার Sinam toto Singh পীং Niro Singh সাং Chandrakhong অসি মৃতু ওইখ্রে, হায়রিবা Petitioner না ফংফম থোকপা শোতোনি মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং ককথৎপিরগা Petitioner মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ইংখোল/ফৌরেল লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি Notice অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Yairipok

HL-P/9975/15 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 143/SDC/YPK/24 **Date. 14/03/2024**

Parties :- Md. Salim, S/o Ahamad Ali of Yairipok Bamon Leikai
- Petitioner

- Vs -

Late Manerjan, D/o Ahamad Ali of Phouden
- O.PP:

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE

Yairipok, the 14/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না, শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০৫-বামোন লৈকায় পাটা নং ৩৮২ অরিবা ১২০/৬৬৩ অনৌবা দাগ নং ১১৩/৪৩৪ এরিয়া .০৩১৯ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং ১ মানেরজান পীতা অহমদ অলি সাং ফৌদেলদা লৈবী অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner মৌপ্বা নুপা মু: সালিম পীতা অহমদ অলি সাং য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা লৈবগী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই। কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Yairipok

HL-P/9975/15 March

In the High Court of Manipur at Imphal

W.P.(C) No. 725 of 2023

In the matter of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India praying for a writ in the nature of Certiori to quash/set aside the decision of State Cabinet to appoint 43 posts of SDC and the impugned notification dt. 05-04-2023 and the impugned appointment order dt. 21-04-2023 with a further prayer to direct the official respondents to issue a fresh advertisement for recruitment of the said 43 posts of SDC within a stipulated period.

Shri Thounaojam Luwangamba, aged about 36 years, S/o Th. Inaobi Singh, resident of Sagolband Ingudum Leirak, P.O. & P.S. Imphal, District, Imphal West, Manipur-795001 & 5 ors. .... **Petitioners.**

– **Versus** –

The State of Manipur through the Commissioner/Secretary (Land Resources), Govt. of Manipur, Secretariat South Block, P.O. & P.S. Imphal, District, Imphal West, Manipur- 795001 & 44 Ors. ...... **Respondents.**

To

1.	Hungyo Yurreikan, resident of Mailiang Village, Phungyar Sub-Division, P.O., P.S. & District, Kamjong, Manipur - 795145.	Respondent No. 30
2.	Ngamgoumang Haokip, resident of House No. 7, Saikul Bazar, S. Salen Veng, P.O. & P.S. Saikul, Kangpokpi, Manipur -795129	Respondent No.32
3.	Micheal Fimliensang Fimate, resident of Thailane, Rengkai, P.O, P.S. & District, Churachandpur, Manipur- 795128	Respondent No.34
4.	Douthianmang Rex Lengen, resident of Dumlian Village, Sangaikot Sub-Division, P.O, P.S & District Churachandpur, Manipur-795128.	Respondent No.36
5.	Satkhogin Kilong, resident of Tuibong, Khopi Veng, P.O. P.S. & DsitrictChurachandpur, Manipur- 795128.	Respondent No.37
6.	Mk Celestina, resident of Chingmeirong, Sangakpham Bazar, P.O. Lamlong, P.S. Lamphel, Imphal East, Manipur - 795010.	Respondent No.39
7.	L. Thanggoulien khongsai, resident of M. Songgel Village, BPO- M Songgel, P.O. P.S. & District Churachandpur, Manipur- 795128.	Respondent No.41
8.	Riamei Jangmei, resident of Zeihkuluang (Tokpa) Village, P.O. & P.S. Loktak Project, Churachandpur District, Manipur - 795124.	Respondent No.42
9.	Orient Thansing RS, resident of House No. 47, Kongyeetang, Phalee Village, LM Block, P.O. & P.S Somdal, Ukhrul District, Manipur - 795144	Respondent No.43
10.	Hatzaw Suanlianpau, resident of Thangho Street, New Lamka- (G), P.O. P.S. & District Churachandpur, Manipur- 795128.	Respondent No.44

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C)
(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 26.02.2024 passed in WP(C) No. 725 of 2023 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 30, 32, 34, 36, 37, 39, 41, 42, 43 and 44 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in Manipuri for two consecutive days returnable on 08.04.2024.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. 08.04.2024 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 6th March, 2024.

By:
Kh. Nirmala, Advocate.
(Counsel of the petitioner)

By Order,
ASSISTANT REGISTRAR-II
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-P/9982/15, 16 March

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF EDUCATION(S)

The Manipur Prevention of Malpractices in High School Leaving Certificate and Higher Secondary Examinations Act, 2024

1. "Malpractice" in relation to High School Leaving Certificate and Higher Secondary Examinations conducted by Board of Secondary Education Manipur and Council of Higher Secondary Education Manipur respectively means any unauthorized act committed by taking or giving or attempting to take or give any help from or to any person or from any material, written, recorded, typed, printed or transmitted from any person, in any form whatsoever. The Penalties for the said malpractices prescribed under the Act are as under-

	MALPRACTICE	PUNISHMENT
1	Violation of Duties of certain persons entrusted with the examination work (**Section 4)**	On conviction, shall be punished with imprisonment of either description for a term which shall not be less than five years but which may extend to imprisonment of ten years and shall also be liable to fine which shall not be less than ten lakh rupees but which may extend to ten crore rupees and in case of default of payment of fine such person shall also be liable to be punished with imprisonment of either description for a term of two years **(Section-14)**
2	Copying answers to the question papers set at the examination, from any book, notes or answer papers of other candidates or commit any other malpractices at examination, etc. **(Section- 5)**	Fine which may extend to Fifty Thousand rupees for every such contravention and when the offence is continuing one, with a daily fine not exceeding ten thousand rupees during the period of contravention of the Act or rules. (**Section 16**)
3	Prohibition of impersonating at examinations **(Section- 6)**	Imprisonment for a term which may extend to six months or with fine which may extend to one Lakh rupees but not less than twenty thousand rupees or with both, or under Juvenile Justice Act, 2015 in case of a juvenile (**Section 10)**
4	Loitering near examination centres, etc. **(Section -7)**	On conviction, be punished with imprisonment for a term which may extend to three months or with fine which may extend to fifty thousand rupees or with both **(Section-11)**
5	Alteration of the answers written at an examination, etc. **(Section -8)**	On conviction, be punished with imprisonment for a term which may extend to two years or with fine which may extend to five lakhs rupees but not less than twenty thousand rupees or with both **(Section-12)**
6	Duty of employees of educational institutions to do examination work **(Section 9)**	Punished in accordance with Conduct Rules **(Section-15)**
7	Affecting the body or property of any persons entrusted to work related to examination	On conviction, be punished with imprisonment for a term which may extend to six months or with fine which may extend to one lakh rupees but not less than fifty thousand rupees or with both **(Section-13)**
8	Abetment of offences.	Punishable with the punishment provided for the offence **(Section-17)**
9	Trial in case of juvenile.	A juvenile as defined in the Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act, 2015 who commits an offence under this Act shall be tried under the said Act **(Section-18)**
10	Contravention or attempts to contravene or abets the contravention of any of the provisions of this Act or rules other than those punishable under the provisions herein before contained	On conviction, be punished with fine which may extend to fifty thousand rupees for every such contravention and when the offence is a continuing one, with a daily fine not exceeding ten thousand rupees during the period of contravention of the Act or rules. **(Section-16)**

2. Notwithstanding anything contained in the Code of Criminal Procedure, 1973, all offences under this Act shall be cognizable offences and shall be non-bailable.

3. Notwithstanding anything contained in the Code of Criminal Procedure, 1973, all offences under this Act shall be tried in a summary way by any Judicial Magistrate of the First Class and the provisions of sections 262 to 265 (both inclusive) of the said Code shall, as far as may be, apply to such trial:

Provided that in the case of conviction for any offence in a summary trial under this section, it shall be lawful for the Magistrate to pass sentence of imprisonment for any term for which such offence is punishable under this Act.

HL-B/8648/15 March

Sd/-
L. Nandakumar Singh
Director of Education(S), Manipur